# ইন্দিয়াগী আর্চর মতৈ-মনাও অতানু অমসুং দিপিকানা গোল্ড মেদল ২ ফংবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা মেদল ৪ লৌখ্রে



গ্বাটিমালা সিটি, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): গ্বাটিমালদা পাঙথোকপা আর্চরি ৱর্ল্ডকপগী অহানবা ষ্টেজদা ইন্দিয়াগী মতৈ-মনাও অতানু দাস অমসুং দিপিকা কুমারীনা ইন্দিভিজ্যুএল গোল্ড মেদল অমমম্ ফংবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অপূনবা গোল্ড মেদল ৩ লৌবা ঙমখ্রে।

মমাংদা নুপীগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান আর্চর ওইরম্বী ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারীনা ইন্দিভিজ্যুএল রিকর্ব কম্পিটিসন অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। মহাক্কী গোল্ড মেদল অদু থারগা টিমগী ওইনসু গোল্ড মেদল অমা হাপচিনবা ঙমদুনা নুপীগী কাঙলূপ্তা ফজবা ঙমখি। অমরোমদা, দিপিকাগী মপুরোইবা অতানু দাসনা নুপাগী রিকর্ব ইন্দিভিজ্যুএল ফাইনেলদা মশাগী করিয়রগী অহানবা ৱর্ল্ড কপ গোল্ড মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী গ্বাটিমালাদা পাঙথোকপা আর্চরি ৱর্ল্ড কপগী অহানবা ষ্টেজ অদুদা গোল্ড মেদল ৩ শুবা ঙমখি।

দিপিকা কুমারী অমসুং অতানু দাস গ্বাটিমালা সিটিগী ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱানদা গোল্ড মেদল ফংখিবা অদুনা মরম ওইদুনা সিজন অসিগী ওইনা পাঙথোক্কদবা আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি।

অতানু দাসনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লোয়নবী দিপিকাগা কুমজা ২০২০গী জুন থাদা যুম্ন্বানবগী মরী লৈখিবনি। মদুগী মমাংদগী হৌরগা মখোয় অনীনা ট্রেনিং চথুবা, কম্পিটিসন শরুক য়াবা অমদি মায় পাকপা খুদিংমক্তা শরুক য়ামিন্নদুনা লাকখিবনি হায়রি।

অতানু দাস অমদি দিপিকা কুমারীনা গ্বাটিমালা সিটিগী আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজ ৱান অদুদা রিকর্ব ইন্দিভিজ্যুএলদা গোল্ড মেদল অমমম্ ফংবা ঙম্লকপা অদুনা ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড কপ ষ্টেজদা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স ওইবা ঙম্লি।

অতানু অমসুং দিপিকানা ইন্দিভিজ্যুএল রিকর্ব ইভেন্টশিং অদুদা গোল্ড মেদল ফংদ্রিঙৈগী মাংওইননা দিপিকা কুমারীনা রিকর্ব ৱিমেন্স টিমগী ওইনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী আর্চর অনী অনকিতা ভকৎ অমদি কোমালিকা বারিগা লোয়ননা নুপীগী টিমগী গোল্ড মেদল হান্না ফংখিবনি। হায়রিবা টিম অদুদা চহী ৭কী মতুংদা মখোয়দগী হেন্না থাকৱাংবা টিম অমা ওইরিবা মেক্সিকোবু শুট আউটতা ৫-৪ (২৭-২৬)তা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি। অমরোমদা, অতানু দাস অমদি অনকিতা ভকৎকী প্যেরনা মিক্স টিমগী ওইনা য়ু এস এগী প্যেরবু পোইন্ট ৬-২দা মায়থীবা পীরগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

দিপিকানা মহাক্কী ফাইনেল রাউন্দদা য়ু এস এগী ব্রাউনবু মায়থীবা পীখি। অদুগা অতানু দাসনা কেষ্ট্রোবু মায়থীবা পীদুনা নুপাগী ইন্দিভিজ্যুএল রিকর্ব কম্পিটিসনদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

# পুখ্রম্বম সুশিলা য়াওনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী শান্নরোয় তরেৎ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে



বেঙ্গলুরু, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কীগী মরুওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবী মণিপুরী মচা পুখ্রম্বম সুশিলা চনু য়াওনা মরুওইবা শান্নরোয় ৭ কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমগী কোর গ্রুপকী শান্নরোয় ২৫ অমদি সপোর্ট ষ্টাফশিংগা লোয়ননা বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া সেন্টরদা জুলাই ২৩দগী হৌগদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক শেম শাবা ওইনা সেন্টর অদুদা পূনখিবনি। মখোয়না থা অসিগী ২৪দা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী লাক্তুনা পূন্না ট্রেনিং পাঙথোক্কদবা মরম্না লৈঙাক্কী ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজরগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯গী টেষ্ট তৌবদা শান্নরোয় ৭ অমসুং সপোর্ট ষ্টাফ অনী কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপনি। হায়রিবা শান্নরোয়শিং অসি মখোয়-মখোয়গী পোক্লফম লমদমদা মতম খরা হন্নরুরবা মতুং বেঙ্গলুরুগী সাই সেন্টরদা টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক্তা শেম শাননবা কেম্পকীদমক পূন্না লাকখিবনি। কাঙলোনগী মতুংইন্না কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা মণিপুরদগী হৌখিবী পুখ্রম্বম সুশিলা চনু, ইন্দিয়াগী টিম অসিগী কেপ্টেন ওইরিবী রানী রামপাল, সবিতা পুনিয়া, শর্মিলা দেবী, রজনি, নবজোট কোর অমসুং নবনিট কোরসু পোজিটিভ ওইরকখি। শান্নরোয় ৭ অসিদা নৎতনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমগী ভিদিও এনালিষ্ট অমা ওইনা লৈরিবা সপোর্ট ষ্টাফ অম্রুতা প্রকাশ অমদি সাইন্টিফিক এদভাইজর ওইরিবা ৱেন লোম্বার্দসু কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি হায়না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কীগী কোর মেম্বর ২৫ অসিনা মখোয়-মখোয়গী মরমদমদা হল্লুরবা মতুং ক্বারন্টিন তৌবা লোইরগা ট্রেনিং হৌননবা শেম শারকপা ওইনা কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা শান্নরোয় ৭ অমদি সপোর্ট ষ্টাফ অনী পোজিটিভ ওইরকপনি।

বেঙ্গলুরুগী স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী ওইনা লৈরিবা নেসনল সেন্টর ওফ এক্সলেন্সকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবদা, কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা শান্নরোয় ৭ অমদি সপোর্ট ষ্টাফ অনীমক কোভিদ-১৯গী লাইওং অমত্তা উথোক্তে। মখোয় পুম্নমক আইসোলেসনদা থমদুনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলগা অথুবা মতমদা প্রেক্টিস তৌবা য়াবগী লৌখৎপা য়াবা খোঙথাং পুম্নমক লৌখৎতুনা লৈরি হায়না ফোঙদোরকখি।

কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অমা লাকপা অসিনা হৌজিক মালেমদা ইন্দিয়ানা অনৌবা পোজিটিভ ওইবা কেস মশীং খ্বাইদগী মশীং য়ামদুনা লৈরিবনি।

# চয়োল ৭০রক শুবা ওইনা এস্লি বার্টিনা নম্বর ৱানদা লৈবা ঙম্লি

পেরিস, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): হন্দক্তগী জর্মনিগী সিটি ষ্টুটগার্টতা লোইশিনখিবা দব্লিয়ু টি এ টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবী ওষ্ট্রেলিয়াগী এস্লি বার্টিনা মখা তানা মালেমগী নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক -মথং তাবগী পরিংদা চয়োল ৭০ লেপ্তুনা নম্বর ৱান পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

এস্লি বার্টিনা কুমজা ২০২০গী সিজনদা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা পাঙথোকখিবা মশীং য়ামদবা নুপীগী টুর্নামেন্টশিং অদু শরুক য়াখিদ্রবসু দব্লিয়ু টি এগী মায়কৈদগী শেমখিবা অনৌবা কাঙলোন অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৯গী মার্চতগী হৌরগা শান্নরোয়শিংনা শরুক য়াখিবা টুর্নামেন্ট ১৬তা খ্বাইদগী ফজবা ফীভমদা লৈখিবা অদু কাউন্ট তৌরগা মকোক-মথং তাবগী পরিং অদু শেমখিবনি।

হৌজিক-হৌজিক নুপীগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী সিঙ্গলসকী ওইনা পীখিবা মকোক-মথং তাবগী পরিংদা ওষ্ট্রেলিয়া মচা মশাগী চহী ২৫ শুরবী এস্লি বার্টিনা পূন্না পোইন্ট ৯৬৫৫ ফংলগা মহাক্কা খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবী জপানগী নাওমী ওসাকাগী পোইন্ট ৭৮০০দগী পোইন্ট ১৮৫৫ হেল্লগা মকোক্তা লৈরি। ৩শুবা পোজিসনদা রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা পোইন্ট ৭০৫০ ফংলি। অমরোমদা, য়ু এস এগী সোফিয়া কেনিননা মকোক থোংবা শান্নরোয় ৩দগী পোইন্ট য়াম্না শোথরগা ৫৯১৫ ফংলগা ৪শুবদা লৈরি। মহাকপু কন্না তানখৎলক্লিবা মঙাশুবা পোজিসনদা লৈরিবী শান্নরোয় অদু পোইন্ট ৫৮৩৫ ফংলিবী যুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানি। ৬শুবা পোজিসনদা কানাদাগী বিয়ানকা এন্দ্রিসকু লৈরি। ৭শুবদা বেলারসকী এরিনা সভালেনকা, ৮শুবদা য়ু এসকী সেরিনা ৱিলিয়মস, ৯শুবদা চেক রিপব্লিককী কেরোলিনা প্লিসকোভা অমসুং ১০শুবদা নেদরলেন্দসকী কিকি বর্টেন্সনি।

# এফ সী গোৱা মায় পাক্লমগদবা খূদোংচাবা মাঙখিবদগী অল রায়নগা পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎতুনা নোক আউট য়ৌবগী লম্বেল তেনশিনখ্রে

মারগাও, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী ফুটবোল পুৱারীদা অহানবা ক্লব অমা ওইনা এসিয়াগী ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগতা শরুক য়ারক্লিবা এফ সী গোৱানা ঙসি গোৱাগী মারগাও সিটিদা লৈবা ফটোর্দা ষ্টেদিয়মদা কটারগী অল রায়নগা শান্নখিবা মেটচতা মায় পাক্লম্বা য়াবা খূদোংচাবা অমা মাঙজদুনা পাঞ্জল ১-১দা ড্রো চৎখিবদগী টুর্নামেন্ট অসিগী নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবগী লম্বেল তেনশিনখ্রে।



এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী গ্রুপ ঈগী ওইনা এফ সী গোৱানা যূম্বু ওইরগা ক্লব অদুগী হোমগ্রাউন্দ ওইরিবা ফটোর্দা ষ্টেদিয়মদা ইরানগী হৌখিবা এ এফ সী চেম্পিয়ন্স লীগকী সিজনদা রন্নর্স অপ তাখিবা পর্সেপোলিস, য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটসকী অল ৱাদা অমদি কটারগী ফুটবোল ক্লব অল রায়ন য়াওনা টিম ৪না লম্বা তৌনখিবনি।

এফ সী গোৱা মমাংদা শান্নখিবা মেটচ মরিদা অনী মায়থীরগা অনী ড্রো চৎতুনা পোইন্ট ২ ফংলগা লৈখিবনি। অমরোমদা ঙসি মখোয়গা লম্বা তৌনখিবা কটারগী অল রায়ন মমাংদা শান্নখিবা মেটচ ৪দা মেটচ ৩ মায়থীরগা মেটচ ১ ড্রো চৎতুনা নোক আউট ষ্টেজগী ৱাংমদা লৈখিবনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা এফ সী গোৱাগী মায়কৈদগী জোরগে ওর্টিজনা পাঞ্জল চন্দুনা অল রায়নগী মথক্তা ফজবা হেনখি। মহাক্কী পাঞ্জল অদু টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নমিন্নরোয়শিংনা নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি। মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৮৯ শুবদা অল রায়নগী মায়কৈদগী আলি সোসৈনিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা এফ সী গোৱানা নোক আউট ষ্টেজ য়ৌবগী মঙলান অদু তেনশিনখিবনি। এফ সী গোৱা মেটচ ৫দা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

# ইন্দিয়াগী ভিদিট অমসুং প্রগনন্ধ ১০শুবা অমসুং ১১শুবদা লৈরি

ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর ভিদিট গুজরাথি অমসুং আর প্রগনন্ধ ওনলাইন চেছ ক্লাসিকতা রাউন্দ ১০ লোইশিনখিবদা মথংশিংনা পোইন্ট ৫ অমসুং ৪.৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা অমসুং ১১শুবদা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ৬শুবা রাউন্দদা ভিদিট গুজরাথি অমসুং ইরানগী অলিরেজা ফিরোজা ড্রো চৎখি। অদুগা প্রগনন্ধনা চাইনাগী শান্নরোয় ক্বাং লিয়ন লিগী মখূৎতা মায়থীবা নংখিবনি।

নোংমদা রাউন্দ অনী শান্নবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং মখা তানা শান্নখিবা ৭শুবা রাউন্দদা ভিদিট গুজরাথিনা পোলেন্দগী জান দুদাবু মায়থীবা পীখি। অদুবু প্রগনন্ধ য়ু এস এগী দোমিনগেজগী মখূৎতা মায়থীখি।

ঙসি অঙনবদা শান্নবা ৮শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী ভিদিট গুজরাথি অমসুং প্রগনন্ধ ড্রো চৎখি। মদুগী মখা তারকপা ৯শুবা রাউন্দদা প্রগনন্ধনা তৈমুর রাজাবোবপু মায়থীবা পীখি। অমরোমদা, ভিদিট গুজরাথি য়ু এস এগী ৱেস্লি সোগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১০শুবা রাউন্দদা প্রগনন্ধ নোরৱেগী অরিয়ান তারিনা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা, ভিদিট গুজরাথিসু সাখ্রিয়ারগী মখূৎতা মায়থীবা নংখি।

ঙসি অথেংবদা ভিদিট গুজরাথি অমদি রসিয়াগী সর্গে কজাকিনগা শান্নগনি। অদুগা প্রগনন্ধনা অর্মেনিয়াগী লেভোন অরোনিয়নগা থেংনগদৌরি।

রাউন্দ ১০ লোইশিল্লকপদা য়ু এস এগী নকামুরানা পোইন্ট ৭.৫ ফংলগা মকোক থোংলি। ৱর্ল্ড নম্বর ৱান নোরৱেগী মেগনস কার্লসননা পোইন্ট ৭ ফংলগা অনীশুবদা লৈরি। ভিদিট গুজরাথি পোইন্ট ৫ ফংলগা ১০শুবদা অদুগা প্রগনন্ধনা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা ১১শুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

# কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপা য়াদবগী ফীভমদা লৈরি



ন্যু দেল্লী, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা যূম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লীদা মথং থাগী ২১দগী পাঙথোক্কনি হায়না শিল্লিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু দেল্লী লৈঙাক্কা মে ৩ ফাওবা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লোকদাউন শাংদোকখিবা মরম্না পাঙথোকপা য়াগনি য়ারোই হায়বগী তংদাংবা অমা খঙবা ঙমদ্রি।

ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস হেনগৎলক্লিবশিংগী মনুংদা দেল্লীসু অমা ওইরিবনি। সিটি অদুদা মে ২১দগী ইন্দিরা গান্ধী ইন্দোর স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা এসিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা বোক্সিং টুর্নামেন্ট ওইগদৌরিবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকপগী খূদোংচাবা লৈগদবা মমি শাল্লক্লি।

এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়াগদবা এসিয়াগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংগী মায়কৈদগী হৌজিক ন্যু দেল্লীদা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লিবা অসিনা মরম ওইরগা লাক্লিংদবগী ঈঙ্গিৎ পীরক্লি।

বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী ওফিসল অমনা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা পাউগী এজেন্সী অমগা ৱারী শানবদা ফোঙদোক্লদুনা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস হেনগৎলক্লিবশিংগী মনুংদা ন্যু দেল্লীসু অমা ওইবা মরম্না মে ২১দগী হৌগনি হায়না মতম লেপখ্রবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপা য়াবগী ফীভম অদু চিংননিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরিবনি।

পাউগী এজেন্সী অদুনা বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইরিবা হেমন্ত কুমার কালিটাদা মখা তাবা অকুপ্পা মরোল হংলুবদা পাউখুম পীরকখিদে হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, চহী অসিগী মার্চ থাদা ইন্টরনেসনল এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা এসিয়াগী লৈবাক ৩০না শরুক য়াগদবা এসিয়ন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুগী যূম্বু ওইবগী খূদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী কোনুং ওইরিবা ন্যু দেল্লীদা পীখিবনি।

# বর্সেলোনা টাইটল লৌখ্রবা মতুং নদাল ২শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে

পেরিস, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ঙরাং অথেংবদা বর্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা গ্রিসকী শান্নরোয় ষ্টিফানোস সিসিপাসপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মমাংদা মালেমগী নুপাগী টেন্নিস শান্নরোয়শিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিংদা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরম্বদগী থাক অমা হাইগৎলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙমখ্রে।

মশাগী চহী ৩৪ শুরবা স্পেনগী শান্নরোয় রাফেল নদালনা বর্সেলোনা ওপন টাইটল লৌখ্রবা মতুং পূন্না পোইন্ট ৯৮১০ ফংদুনা পোজিসন অমা হাইগৎপা ঙমখিবনি। মমাংদা অনীশুবা পোজিসন অসি রসিয়াগী দনিল মেদভেদেভনা কল্লম্বনি। ক্লে কোর্টকী ওইবা মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা বর্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল ফংখিবনা মরম ওইরগা রসিয়াগী দনিল মেদভেদেভতগী পোইন্ট ১১০ হেল্লগা অনীশুবা পোজিসনদা হাইগৎলকখি।

নীংশিংবা য়াবদি, বর্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী টাইটল ঙরাং ফংখ্রবা রাফেল নদালনা মহাক্কী করিয়রদা ক্লে কোর্টকী ওইবা টাইটল ৬১রক শুদুনা হান্না অর্জেন্টিনা মচা গুইলরমো ভিলাসনা টাইটল ৪৯ লৌখিবা অদুদগী টাইটল ১২ হেল্লগা খ্বাইদগী ফজবা ক্লে কোর্টকী শান্নরোয় ওইবা ঙম্লি।

নুপাগী মকোক-মথং তাবগী পরিং অসিদা সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচনা রাফেল নদালদগী পোইন্ট ২১৫৩ হেল্লগা অপূনবা পোইন্ট ১১,৯৬৩ ফংদুনা মকোক থোংদুনা লৈবা ঙম্লি। পরিং অসিগী ৪শুবদা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়মনা পোইন্ট ৮৩৬৫ ফংদুনা লৈরি। অদুগা ৫শুবদা গ্রিসকী ষ্টিফানোস সিসিপাসনা পোইন্ট ৭৯৮০ ফংলগা লৈরি।

# ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলনা অহানবা ওইনা কমনৱেল্থ গেমসকী ক্বালিফায়র লাউথোকখ্রে

দুবাই, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা মালেমগী ওইবা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা আই সী সী (ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিল)গী মায়কৈদগী কুমজা ২০২২দা ইংলেন্দগী সিটি বিরমিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমসকীদমক্তা ক্রিকেট মশান্নগী ওইনা ক্বালিফায়িং টিমশিং ইহান হান্না লাউথোকপা ঙমখি।

বিরমিংঘম কমনৱেল্থ গেমস অসি কুমজা ২০২২গী জুলাই ২৮দগীনা ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবনি। মসিদা ক্রিকেট মশান্না অসি নৌহৌননা কমনৱেল্থ গেমস অসিদা মেদল ইভেন্ট অমা ওইনা য়াওগদৌরিবনি। কমনৱেল্থ গেমস অসিগী এদিসন ২২রক শুরকপা অসিদা অহানবা ওইনা নুপীগী ক্রিকেট য়াওগনি। অদুগা নুপাগী ওইনা মমাংদা লৌথোক্লুরবা মতুং অমুক হন্না অনীরকশুবা ওইনা গেমস অসিদা মেদল স্পোর্ট অমা ওইনা শান্নগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, কুমজা ১৯৯৮গী কমনৱেল্থ গেমস অদু মলেসিয়াগী কোনুং ক্বালা লুম্পুরদা পাঙথোকখিবদা অহানবা ওইনা ক্রিকেট মশান্না অসি চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা কমনৱেল্থ গেমসতা শরুক য়াহনখিবনি। হায়রিবা চহী অদুগী ওইনা সাউথ অফ্রিকানা চেম্পিয়ন ওইখি।

দুবাইদা লৈবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী হেদ ক্বার্টরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না বিরমিংঘম কমনৱেল্থ গেমস অসিদা যূম্বু ওইগদৌরিবা ইংলেন্দগী টিম য়াওনা টি-২০ ফোর্মেটতা টিম ৮না লম্বা তৌনগদৌরি। মাংজেননা কম্পিটিসন অদুগীদমক্তা ক্বালিফাই ওইখ্রবা টিমশিং অদুদি ওষ্ট্রেলিয়া, ইন্দিয়া, ন্যু জিলেন্দ, পাকিষ্টান, সাউথ অফ্রিকা অমদি ৱেষ্ট ইন্দিজকী টিম ওইগদৌরি। হায়রিবা টিমশিং অসি চহী অসিগী এপ্রিল ১দা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সিলগী মায়কৈদগী নুপীগী ওইবা টি-২০গী টিমশিংগী মকোক-মথং তাবগী পরিং লাউথোকপদা য়াওখ্রবা টিম ঙাক্তনি। আই সী সীগী ওইনা মাংজেননা লাউথোকখ্রবা টিম ৭ অসিগী মথক্তা অতোপ্পা ক্বালিফায়র টিম অমা য়াওরগা বিরমিংঘম কমনৱেল্থ গেমসকী ক্রিকেটকী নুপীগী টিম ৮গী ওইবা গ্রুপ অদু মপূং ফাবা ঙমগদৌরিবনি। গেম অসিদা নুপাগী মায়কৈদগী নুপীনা মেদল হেন্না ফংবা গেমস অমা পুৱারীদা অহানবা ওইগদৌরি।

# ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ ২০২১দা ইন্টরনেসনল শান্নরোয়শিং য়াওরক্ত্রবসু মখা তানা মপূং ফানা পাঙথোক্কনি : গঙ্গুলি



মুম্বাই, এপ্রিল ২৬ (এজেন্সী): বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)গী প্রসিদেন্ট ওইরিবা হান্না ইন্দিয়াগী কেপ্টেনসু ওইরম্লবা সৌরভ গঙ্গুলিনা ফোঙদোরকখিবা মতুংইন্না হৌজিক-হৌজিক মুম্বাই অমদি চেন্নাইদা চথরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা অতোপ্পা লৈবাক্কী শান্নরোয়শিং শরুক য়াররোই হায়না ফোঙদোরকখ্রবসু টুর্নামেন্ট অসি মখা তানা লোইশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরি হায়খ্রে।

ঙসি সৌরভ গঙ্গুলিনা ইন্দিয়াগী ওইনা মমিং লৈরবা শান্নবগী মেগাজিন অমগা ৱারী শানবদা বি সী সী আইনা হান্না লেপ্তুনা চথরক্লিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট অসি লেপখিবা সেদ্যুল্ড অদুদগী হোংদোকপা লৈতেনা পাঙথোক্লগা লোইশিনগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

পনবা য়াবদি, মরুওইবা টিম অমা ওইরিবা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী শান্নরোয় ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী কেন রিচার্দসন অমদি অদাম জম্পা মখা তানা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদনা ওষ্ট্রেলিয়াদা হনখিবনি। অমরোমদা, রাজস্থান রোয়লসকী মপানগী শান্নরোয় এন্দ্রু টাই মহাক্কী মরমদম ওষ্ট্রেলিয়াদা হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়াগী কোভিদ-১৯গী ফীভম অসি য়েংলুরগা হল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

মরক অসিদা ইংলেন্দ এন্দ ৱেলস ক্রিকেট বোর্দ অমদি ক্রিকেট ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী লৈবাক অনীগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগতা শরুক য়ারিবা অসিগী মায়োক্তা মখোয়বু মরমদমদা হল্লক্লবগী পীখিবা ৱারোল অমত্তা লৈতে হায়রি। মুম্বাই অমদি চেন্নাইগী মেটচশিং অসি লোইরবা মতুংদা আই পি এলগী মখা তাবা মেটচশিং দেল্লী অমদি অহমেদবাদতা অমুক শান্নগদৌরিবনি।

PENSION LOAN

Manipur গী State অমসুং Central Pensioner শিংগী ওইনা Pension Loan পীজরি।

থাগী ওইনা 1.5%, 2%, 2.5% অমসুং 2.85% p/m গী খূদোংচাবা পীজগনি।

Loan লৌবিবা লাকপদা Pension Book, Passbook, Cheque Book অমসুং A.T.M. লোইনবীগদবনি।

Please Contact :
M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli, Imphal
Mobile No. 9774495994

HL-P/6855/14-30 days alt

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com